ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ০১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৫৬শুবা মশীং

মতম য়ৌরকান্দতা খোংলক্কনু

মীয়ামগী থবকপু ইলেক্সন ময়াদতা তৌগদ্রা

অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লবা মতমদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখে লাংলকপা, হৌ-হৌ চোংলকপা, তূম্লুবদগী হৌগৎলকপদৌনা য়াকাইরকপা হায়বসিদি হৌনশানি, মচৎনি। মসিগী মনুংদা হান্নদগী মীখলগী মতম ৱাৎলিঙৈদা 'কুম্ভ কর্ন' দৌনা তূমদুনা লৈরম্লগা ফুক হৌগৎলক্তুনা অনৌবা পার্টিশিং মচা পোক্লরকপসু য়াওগদৌরিবনি। পূমনৌ নৌনা লিংখৎলক্লরকপসু য়াওরকখিনি, মপানগী ষ্টেটশিংদা লৈবা পার্টিশিং চেনশিন্নরকপসু য়াওরকখিনি। থৌদোকশিংসি ষ্টেটসিগী মীয়াম্না হৌখিবা মীখলশিংদগী হৌরদুনা হকথেংনদুনা লাক্লবনি। অনৌবা থৌওং অমা নৎত্রবনিনা কোৎথোক্লগা পল্লুদ্রবসু য়ারিবনি। পল্লুবনসু মসিগুম্বা থবকশিং অসি হৈনজরক্লবা, মশানা মশাবু মীয়ামগী পাওখোল্লোইনি, সোসল ৱার্করনি, মীয়ামগী মীহুৎনি হায়জরিবশিং অসিগী মতু নাম্মা ফাওবা তেকহনবা ঙমগদবা নত্তে। অদু ওইরবসু খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা ওইজ-ওইথক্কী, খুদোংচাবা তাঞ্জা লৌহৌনবা হোৎনবগী থারবা, য়েংনীংদ্রবা মমায়শিং পুরগা থোক্লরক্কদবা, থোক্লরকপসু হৌরবা, মথি ফোংলকপা হৌনরক্লবা মীনুখাং খুজোক খরসিদদি হায়হৌদবা য়াদে - ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লবা মতমদতা থোরক্কনু, মীয়ামগী থবকপু ভোট ময়াদতা তৌগদ্রা হায়বা ৱাফমশিংসি। হায়সু হায়বনি, মণিপুরনা চং ফংনা ৱাররক্লিবসি কুইরে। হান্নদগী য়োৎনা শোকপা হঙোইদৌনা লৈরকপগী মথক্তা মার্চ ২০২০দগী মালেমগী লাইচৎ কোভিদ-১৯নসু ষ্টেটসিগী মীয়ামদা শরুক থুংবিররিবনি। পেন্দমিকসিনা মরম ওইরগা হিংথৎ থৎতুনা পুখিবা থৱায়শিংগী মশীং ২০০০ য়ৌশিল্লক্কদৌরবনি। গভর্ণমেন্টনসু, মীয়াম্নসু, মীয়ামগী লূপশিংনসু তমথীরবা লাইচৎসিদগী ঙাকথোক্তুনা কঞ্জহৌনবা অঙম্বা পাম্বৈ পুথোক্তুনা হোৎনরিবনি। অউপ্পা উনা লোংথোক্তুনা অমসুং খোংবাল লাই তিনখাক ফাওবা খুরুম্মী হায়বগী ফীভমদু ফাওবা য়ৌনা হোৎনখ্রিবনি। খম থেংনা ৱাবা হায়বদুম্মক য়ৌখ্রিবনি। হোৎনজমল কয়াদুগী মহয়না হৌজিক্তদা খরা শাফরকপা, মায়-মীৎ পাংনরকপগী ৱানি। হৌজিকসু মণিপুরগী মীয়াম তমথীরবা লায়নাসিগা তশেংনা শেৎন-খায়নদ্রিবনি।

অদুবু হৌজিক্তদা শাফোংনরক্লিবা, শাইওন তৌদুনা লাঙ্গোন্নরক্লিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিবু নহানমখৈদি কৈদৌদনা লৈবগে হায়বনি। ভোট লেপকদবশিং, মীরেপ পুথোক্কদবা পোলিটিকেল পার্টিশিং ইলেক্সন ময়াদতা থোরকপা য়াদে হায়বগী অথিংববুদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ওইনা লৈতে। লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসনদসু য়াওদে। মীরেপ চে পীশিনবা য়াবগী পীরিবা মতমশিং অদুগী মনুংদা ফন চোংথোরক্লগা লেপ্পবা য়াই। অদুবু মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্লরিঙৈদা মখূৎ তুংবুন্নদুনা চগৌ য়েংদুনা লৈবা, উচি মখুলদা চঙখিবা, ফীভম খরা ফগৎলক্লগা মীখলগী মতমসু নকশিল্লক্লগনা মীয়ামদা ভোট পীবিয়ু হায়দুনা খূৎ লোন্নরকপগী থৌওংসিদি মীয়াম্বু করেম্নবা, হকচিন্না লৌদবা মাল্লি হায়বগী ৱানি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৫

১) *''রাধা কৃষ্ণগী অচেৎপা ফোঙদোকপা''* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

২) *''লীশীং অমা শুপ্না মরিফু মরিগী মমা'* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৩) মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবা লাইরিকনি *''লম্বীসিদা''* হায়বসি। লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমদি অইবসি কনানো?

৪) *''ঙমখৈ নাইদনা হাঙলবা/অহাঙবগী লামায়সে থন্না/ইরি অহাঙবগী শৈরেং,/শৈরেংগী ৱাহৈ অমমম্না/লীরি ফজবগী লোইনাইদ্রবা ৱারী।''* শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো?

৫) মঙাংগুরু পুন্সিবনা লূৱাং খুন্থিবগী মফমদা তাকপীখিবা *''মীওইবগী পোকপা, শিবা অমদি শিরবা মতুংগী খোঙফম''* গী অথুপ্পা মরোল খরা ইরিবা লাইরিক্তু করি লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি

১) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (২,৩,৪)
২) ভিমো অয়েকপম, তাকয়েল খোংবাল মনীং লৈকায় (২,৩,৪)
৩) ইবোচৌবা কোন্থৌজম, শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক - (২,৩,৪)
৪) লাইশ্রম এলেনা, তোপ খোঙনাংমখোঙ - (২,৩)
৫) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৬) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,২,৩,৪)
৭) য়ূমখাইবম রিপুজিৎ, মালোম তুলিয়াইমা - (২,৩,৪)
৮) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩)
৯) মৈস্নাম রাহুল, হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায় - (২,৩,৪)
১০) য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় - (২,৩,৪)
১১) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,২,৩,৪)
১২) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (২,৩,৪)
১৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪)
১৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (২,৩,৪)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৪গী ৱিন্নর

অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়

হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ২৪গী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঞ্জরগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪গী পাউখুম

১) *''পুন্সিগী য়াইফ কোরৌসু নঙনি/কোরৌগী শান্নফম, নোংদোলসু নঙনি/নঙতনি ইমা পোক্লফম লমদম,/কৎচরি পুন্সি থৱায় হকচাং।''* ঈশৈ মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং কদাইদগী লৌথোরকপনো? ***:- খুমন্থেম প্রকাশ; 'ঈশৈ পরেং' (হায়বা মহাক্কী ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক্তুদগী লৌথোরকপা ঈশৈ অমগী অহুমশুবা অন্তরানি। লা: ২; অহানবা ফোঙবা, দিসেম্বর, ১৯৯৭)***

২) *''পুন্সিগী খোঙচৎতা''* হায়বা ওটোবাইওগ্রাফি অসি কনানা ইবনো? ***:- য়ূম্নাম য়াইমা (অহানবা ফোঙবা, ২০০৫)***

৩) *''নুংশিত্তি পাবা হৈতে''* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা হন্দোকপনো? ***:- Richard Mason গী The Wind Cannot Read হায়বা নোবেলদগী খুরাইজম নিমাইচরন সিংহনা হন্দোকপনি। অহানবা ফোঙবা, ২০০৫ ইং।***

৪) *''কনাসু ঐগী মিং খঙদে''* হায়বসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- (কাংজম) পদ্মকুমার; উপন্যাসনি। (অহানবা ফোঙবা, ওগষ্ট, ২০১৫)***

৫) *''নুংবাল পুনশি ইৱাললৈ, চারোল তরেৎ থোলমল লৈ, শুরোল তরুক তানফংলৈ ফত্‌ত্রে লৈশিল্লে, য়ামদ্রে চাইশিললৈ, চহুই কাংবা লৈবু লৈরাং খয়োম শানা পীনরমও। হে অহল উঝাগুরুজন লাই ওইনবশিংও ইমাই নোংনেম লাইনপাং ইমনকৌবা চীংথংলা পাংবরম ওন্না কোনশিনজরমগে। হরিও।''* ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো? ***:- ''লাংলোল''; (লা ১৭; ৱাহেংবম মাধব রাম সিংহনা ইবদগী অনৌবা মণিপুরীদা ৱাহেংবম য়ুমজাও সিংহনা ইথোকপনি। অফোংবা, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল; অহুমশুবা খূৎনম, ২০০৩ ইং।)***

এল্যুমিনিয়মনা ঈশিংগা রিএক্সন থোকহন্দুনা হায়ড্রোজেন ফ্যুল শুংবা

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম


Laureen Meroueh অমসুং মখোয়গী চাংয়েংগী খুৎলাইশিং

ফোসিল ফ্যুলশিং অসি মীওইবনা অসুক্কী মতিক য়াম্না শীজিন্নবদগী নুংশিৎ মোৎপগী চাংসি য়াম্না হেনগৎলে অদুগা অতোপ্পা অমরোমদনা ফোসিল ফ্যুলশিংসি হৌজিক শীজিন্নরিবা চাংসিদগী হন্থদ্রবদি লোইখ্রগনি হায়বসি ঐখোয় লোইনমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুনা ট্রান্সপোর্টেসন অমসুং ইন্দষ্ট্রিদগী হৌরগা বিল্ডিংশিং অমসুং পৱর জেনরেসন্দা ফোসিল ফ্যুলগী মহুত্তা নুংশিৎপু মোৎহন্দবা হায়ড্রোজেন ফ্যুল ওইনা শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদবা ওইরকই। মসিগীসু মথক্তা ফ্যুল সেলনা চলাইবা গাড়ীশিং, মৈশা পুথোকপা বোইলরশিং, ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকপা গ্যাস টরবাইনশিংদা হায়ড্রোজেন ফ্যুল শীজিন্নবা য়াই।

য়ুনিভর্সতা খ্বাইদগী মরাং কাইনা ফংবা ইলিমেন্টসি হায়ড্রোজেননি (নুমিৎ অমসুং অতৈ থৱান্মীচাকশিংগী অয়াম্বা শরুক্তি হায়ড্রোজেননা শেম্বনি)। মালেমদসু হায়ড্রোজেনসি মরাং কায়না ফংই অদুবু নুংশিৎ ওইনদি খজিক্তনি ফংলিবসি। মালেমগী শরুক অহুম থোকপগী অনীদি ঈশিংনি, ঈশিং অসি হায়ড্রোজেন অমসুং ওক্সিজেনগী কম্পাউন্দ অমনি। ঈশিংগী মোলিক্যুল অমদা হায়ড্রোজেনগী এটম অনী য়াওই; মরম অসিননি মালেমদা হায়ড্রোজেন মরাং কায়না লৈ হায়রিবসি। ঈশিংদগী হায়ড্রোজেন শুংদোকপগী পাম্বৈ কয়ামুক লৈ; অদুবু মখোয়দু লার্জ স্কেলদা, শেল ইচং চংদনা পুথোকপা হায়বসি অরুবা অমা ওইদুনা লাক্লিবনি। অদুবু থিজিনবগী থবক অসিনা লেপ্তুবনিনা, অনৌবা পাম্বৈ কয়া পুথোরক্লি। মতৌ অসুম্না, এল্যুমিনিয়ম শীজিন্নরগা ঈশিংদগী হায়ড্রোজেন শুংদোকপগী পাম্বৈ অমা এম আই টিগী সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোকপা ঙম্লে হায়রি।

এম আই টিগী পাম্বৈ অসিদা, এল্যুমিনিয়ম শীজিন্নরগা হায়ড্রোজেন শুংদোকপগী থবকসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা অনীখক থেংনরম্মী। অহানবদা, ঈশিংগা রিএক্সন থোক্লবগীদমক এল্যুমিনিয়মগী লৈমাইদু তরু-তনান্না থম্বা হায়বসিনি, মরমদি এল্যুমিনিয়মগী লৈমাইদা এল্যুমিনিয়ম ওক্সাইদনা হেক হেক কুপশিল্লকই, হায়বদি কোরোজন থোকই। অনীশুবদা, এল্যুমিনিয়ম ওরদগী এল্যুমিনিয়ম শুংদোক্লগা অশেংবা এল্যুমিনিয়ম ফংনবা হোৎনবদা এনর্জি য়াম্না চংই। অদুনা এল্যুমিনিয়মগী ওক্সাইদ শেম্লকপসি থিংদুনা থম্লগা, এল্যুমিনিয়মগী এলোয়শিং ওইনা শীজিন্নবগী মতাংদা থিজিনবগী থবকসি পায়খৎলকখি। সিলিকোন অমসুং মেগ্নেসিয়ম য়াওবা এল্যুমিনিয়মদি শীজিন্নবা য়াদ্রবা কার অমসুং মোটোরসাইকল, য়োৎ, বাইসাইকল ফ্রেম অমসুং স্মার্ট ফোন কেসশিংদগী মরাং কাইনা ফংবা ঙম্মী। মখোয়না নোভেলিস ইনকোর্পোরেসনগী এক্সপর্টশিংগা পূল্লগা অশেংবা এল্যুমিনিয়ম অমসুং ০.৬% সিলিকোন (অরূম্বদা) নৎত্রগা ১% মেগ্নেসিয়ম য়াওবা নৎত্রগা অনীমক য়াওবা সেম্পলশিংবু লৌরগা এল্যুমিনিয়মগা ঈশিংগা রিএক্সন থোকপগী মতাংদা চাংয়েংশিং পাঙথোক্লম্মী।

মখা তারকপা চাংয়েংশিংদনা, থিজিন-লূপ অসিনা 'য়ুতেক্টিক' মিক্সচর অমা শেম্নবগীদমক গালিয়ম অমসুং ইন্দিয়মবু অখন্নবা চাং অমদা য়ানশিন্নরম্মী, অসিগুম্বা মিক্সচর অসি রুম টেম্পেরেচরদা মহী ওইনা লৈরম্মী। মখোয়গী সেম্পলশিংদুবু য়ুতেক্টিক মহীসি তৈশিল্লগা পুং ৪৮দগীনা ৯৬ ফাওবা থম্লগা মহীসিনা গ্রেইনশিংদুগী মরক্তা ফাওজিনখিবগী চাংদু য়েংলম্মী। মসিগী মতুংদা মখোয়না সেম্পলশিংদু ঈশিংদা থাদরগা হায়ড্রোজেন শেম্লকপগী চাং অমসুং মিনট ১২০দা হায়ড্রোজেন ফংলকপগী চাংবুসু ওল্লম্মী। পুং ৪৮গী মতুংদা মখোয়না হায়-মেগ্নিফিকেসন স্কেনিং ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপ (এস ঈ এম) লৌরগা থংন-থংননা লৈরিবা এল্যুমিনিয়ম গ্রেইনশিংগী বাউন্দরিশিংবু য়েংলম্মী। অসুম্না তৌথিবসিনা গালিয়ম-ইন্দিয়ম য়ুতেক্টিক্না গেগ্রেইনশিংগী সর্ফেস য়ৌনা চঙখিবদু থেংনরম্মী। চঙখিবগী চাংসি সিলিকোন হাপচিল্লবা এল্যুমিনিয়মগা অশেংবা এল্যুমিনিয়মগা মান্নরম্মী অদুবু মেগ্নেসিয়ম হাপ্পবা সেম্পলশিংদনা তপ্লম্মী।

মখা তারকপা চাংয়েংদা, থিজিন-লূপ অসিনা এলোয় শেম্লিবা মেটরিএলশিংনা হায়ড্রোজেন পুথোকপদা করি অহোংবা থোকহনবগে হায়বসি য়েংখি। মখোয়না পুং ৯৬ চূপ্না য়ুতেক্টিক তৈশিল্লবা সেম্পলশিংবু চাং য়েংখি। সিলিকোনগী ০.৬% য়াওরবা মতমদা, এল্যুমিনিয়মগী অকক্লবা চাং অমদা, অশেংবা এল্যুমিনিয়মদগী ২০% হেন্না হায়ড্রোজেন ফংবা থেংনরম্মী। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ১% মেগ্নেসিয়ম য়াওরবা মতমদা হায়ড্রোজেন খরা হন্থনা ফংবা থেংনরম্মী, অদুবু সিলিকোন অমসুং মেগ্নেসিয়ম অনীমক হাপ্পা মতমদনা হায়ড্রোজেন ফংবগী চাং হেনগৎলম্মী অদুগা অশেংবা এল্যুমিনিয়মনা ফংহনবা অদুদি য়ৌরমদে।

হায়ড্রোজেন পুথোকপগী চাংসি হেনগৎহন্নবগীদমক পাঙথোকপা য়াবা থবক অমনা এল্যুমিনিয়ম গ্রেইনশিংগী চাওবগী চাং হেনগৎহনবা হায়বসিনি। মসিনা রিএক্সন থোক্কদৌরিবা অপূনবা সর্ফেস এরিয়া হেনগৎহল্লি, অদুবু মতাংসিদা পলহৌগদবা ৱাফম অমদি এল্যুমিনিয়ম পাওদর শীজিন্নবদি য়াদে। মরমদি রিএক্সনদু য়াম্না থুনা থোকপগা লোয়ননা পোকখায়বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। অসুম্না এল্যুমিনিয়ম গ্রেইনশিংগী চাওবগী চাং হন্থহনবদগী হায়ড্রোজেন ফংবগী চাং হেনগৎলম্মী। অদুগা অতোপ্পা পোৎ য়ানশিন্দুনা এলোয় শেম্লকপা মতমদসু হেন্না কান্নবা এম আই টিগী থিজিন-লূপ অসিনা থেংনরম্মী।

থিজিন-লূপ অসিনা পাঙথোকখিবা চাংয়েং খুদিংমক্তা থাজরুদবা মহয়শিং ফংলকখি, হায়বদি থিওরিগী মতুংইন্নদি অশেংবা এল্যুমিনিয়ম্না হায়ড্রোজেন হেন্না ফংহনফম থোকই; অদুবু সিলিকোন হাপচিল্লবা এল্যুমিনিয়মনা হায়ড্রোজেন হেন্না ফংলম্মী। মসিগী চপ চাবা মরমসি খঙদোক্লবগীদমক, প্রোফেসর ওফ মেকানিকেল এঞ্জিনিয়রিং Douglas P. Hart, Laureen Meroueh অমসুং প্রোফেসর ওফ মেটরিএলস এঞ্জিনিয়রিং এন্দ এঞ্জিনিয়রিং মেনেজমেন্ট Thomas W. Eagar না হায়ড্রোজেন 'ফ্লক্স' হায়বদি মনুং থংবা গ্রেইনশিং য়াওরগা, এল্যুমিনিয়ম সর্ফেসকী স্কৱার সেন্টিমিটর খুদিংনা পুথোরকপা হায়ড্রোজেনগী ভোল্যুমগী মরমদা থিজিনবা হৌরক্লম্মী।

গ্রেইনগী চাওবগী চাং হন্থহনবসিনা পিক হায়ড্রোজেন ফ্লক্স অসি সিলিকোন য়ানশিল্লবা এল্যুমিনিয়মদগী শরুক ১০০ অদুগা অতোপ্পা কম্পোজিসন অহুমদগী শরুক ১০ হেন্না হেনগৎলম্মী। অশেংবা এল্যুমিনিয়ম অমসুং সিলিকোন য়াওরবা এল্যুমিনিয়ম অনীমক্কা লোয়ননা, গ্রেইনগী চাওবগী চাং হন্থহনবসিনা পিক ফ্লক্স থুনা ফংহল্লম্মী অদুগা মতম কুইনা পিক ফ্লক্স ওইদুনসু লৈরম্মী। মেগ্নেসিয়ম য়াওরবা এল্যুমিনিয়মগী গ্রেইনগী চাওবগী চাং হন্থহনবা মতমদা পিক হায়ড্রোজেন ফ্লক্স হেনগৎলকই অদুবু হায়ড্রোজেন আউটপুটকী চাংদা খজিক্তংদি হন্থরক্লম্মী। সিলিকোন অমসুং মেগ্নেসিয়ম অনীমক য়াওবদনা, গ্রেইনগী চাওবগী চাং হোংহন্দবা মতমদা, হায়ড্রোজেন ফ্লক্সসি মেগ্নেসিয়ম য়াওবা এল্যুমিনিয়মগীগা মান্নরম্মী। গ্রেইনগী চাং হন্থহনবা মতমদদি সিলিকোন য়াওরবা এল্যুমিনিয়মদা থেংনখিবা মগুণদুগা মান্ননা হায়ড্রোজেন আউটপুট ফংলম্মী। অসুম্না ফংলক্লিবা অসি ফংলকপা য়াই হায়না খল্লুবদুদি ওইরমদে মরমদি সিলিকোন অমসুং মেগ্নেসিয়ম অনীমক য়াওবা মতমদা মখোয়না রিএক্ট তৌদুনা মেগ্নেসিয়ম সিলিসাইদ শেম্লকই। মেগ্নেসিয়ম সিলিসাইদ সি মশাগী তোপ-তোপ্পা মগুন চেঞ্জবা এল্যুমিনিয়মগী এলোয় অমা ওইরক্লম্মী।

মখোয়গী চাংয়েংসিদগী ঈশিংদগী হায়ড্রোজেন শুংদোক্লবগী হেন্না ফরবা পাম্বৈ অমদি ফংহল্লে হায়রি। অদুবু ইন্দিয়ম হায়রিবা ধাতু অসিদি মমল য়াম্না তাঙই। অদুনা মখা তানা থিজিন্দুনা মসিগী মহুৎ শিনবা য়াবা অতোপ্পা পোৎশক অমা থিবগী মথৌদি তারি হায়না থিজিন লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি। ●



বর্লিন ওলিম্পিক অমসুং হিটলর (১৯৩৬) # ১

- লৈশাংথেম অজিৎ -

কুমজা ১৯৩৩দা গ্রেট বৃটেননা বর্লিন ওলিম্পিক য়াওবীয়ু হায়বগী চেরোল গেমসকী ওর্গনাইজিং কম্মিটিদগী ফংলম্মী। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিনা ওলিম্পিক অসিদা শরুক য়াগনি হায়বগী ৱারেপ লৌবদা চহী অমা চঙলম্মী। বৃটিশ ওলিম্পিক এসোসিএসন্না ওলিম্পিক য়াওবা চৎনবা, মীয়ামদা শেলগী অঙম্বা মতেং পীবিয়ু হায়না ৱারোল ইবা চে মীয়ামদা য়েল্লম্মী। গ্রেট বৃটেনগী মফম মফমশিংদা কোংগ্রেস অমসুং রেল্লি পাঙথোক্তুনা ওলিম্পিক শরুক য়াবদা কান্নবগী মরমদা নৈনরম্মী। অদুবু বৃটিশ ৱার্কস স্পোর্টস এসোসিএসন কৌবা অচৌবা লূপ অমনা গেমস অসিদা শরুক য়ারুদনবা মীটিন তৌরম্মী। ইংলেন্দগী পাউচে মাঞ্চেষ্টর গার্দিয়ান্না মীয়ামদা বর্লিন ওলিম্পিক য়াওবীদনবা মোত ফোঙদোক্লম্মী। হাওস-ওফ-কোম্মন্স (House of Commons)তা ৱাফম অসিগী মরমদা মতম চঙনা নৈনরম্মী। মমৈথংদা বৃটিশকী টিম বর্লিন্দা থাবা তারম্মী।

অমেরিকান জিয়ু কোংগ্রেস, লিগ-ওফ-অমেরিকান-রাইটর্স অমসুং ন্যু য়োর্ক টাইমসনা অমেরিকাগী টিম থাবা পাল্লমদে, মসিগী মরমদা অমেরিকান কোংগ্রেসতা ৱাথোক অমা ওইরম্মী। কুমজা ১৯৩৫গী দিসেম্বর থাদা ন্যু য়োর্কতা অমেচর এথলিটিক য়ুনিয়নগী নেসনল কনভেন্সন অমা পাঙথোল্লম্মী মদুদা মেম্বর ৬১না য়াওনীংবা, ৫৫না য়াওনীংদবা ৱারেপ লৌরম্মী। অর্নেস লি-জিহেনেক কৌবা আই ও সীদা অমেরিকাগী মীহুৎ ওইবা অমনা বর্লিন গেমসতা অমেরিকাগী টিম শরুক য়ারোই হায়বগী অকনবা ফিরেপ লৌরম্মী, মদুগীদমক্তা মহাকপু আই ও সীদগী জুলাই ৩০দা তাম্থোল্লম্মী।

কুমজা ১৯৩৬কী ফেব্রুৱারী থাদা নিংথম-থাগী ওলিম্পিক গেমস জর্মনিগী গারমিসক-পার্তেনকিনচেন কৌবা মফমদা পাঙথোকখিবা মতমদসু মপান-ইপান থোকফমগী চঙফমদা 'হুই অমদি জিয়ুদি য়াদে' হায়না চাউনা ইদুনা থম্লম্মী। আই ও সীগী প্রসিদেন্টনা হিটলরদা ইরিবা ৱাহৈশিং অদু ওলিম্পিক্কী চার্টরগা চানদে হায়রম্মী। মদুদা হিটলরনা 'মিষ্টর প্রসিদেন্ট' কনাগুম্বা অমনা মীগী ময়ূমদা নোংমা নীনি লৈরগা য়ূম্থু শাবা অসি হৌনদে হায়না খুল্লকই। বাইলেট-লেটরনা ঙাইহাক খল্লগা খুল্লক্লম্মী মদুদি 'মিষ্টর চাঞ্চেল্লর' রিং মঙা য়েকপা ফিরালনা ষ্টেদিয়মদা পাইরবদি মফম অদু জর্মনি নত্তে ওলিম্পিয়াননি, ঐখোয়না মদুগী মপুনি। সাইনবোর্দ অদু লৌথোকহল্লম্মী। অসুম্না হিটলরনা জিয়ুশিংবু হন্থনা য়েংবা আর্য্য নত্তবা কাঙলূপশিংবু মী ওইনা খন্দবা ৱাখলবু শীংনবা ওইনা বর্লিন গেমসকী মায়োক্তা গেমস কয়া অমা ওলিম্পিক্কী মীংদা পাঙথোল্লম্মী।

কুমজা ১৯৩৫দা পেলেষ্টাইনদা জিয়ু ওলিম্পিক পাঙথোল্লম্মী অমষ্টরদাম অমসুং প্রেগতসু অসিগুম্বা গেমস পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলম্মী। বর্লিন গেমসকা হায়রপ লম্বা তৌনবা য়ারম্বদি কুমজা ১৯৩৬কী জুলাই ১৯দগী ২৬ ফাওবা বার্সেলোনা সহরদা পাঙথোক্কনি হায়না হোৎনরম্বা পিপলস-ওলিম্পিয়াদনি। মসিদা শান্নবগী থৌরমদা নত্তনা ঈশৈ, জগোয় অমসুং লীলানচিংবগী অথোই-অহেন তান্ননবসু শেম শারম্মী। কাটালোনিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা জুলাই ১৯গী নুংথিলদা মরু ওইবা লৈবাক গ্রেট বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং য়ু এস এনচিংবনা শরুক য়াদুনা গেমস অদু হৌদোকপগী হেক নোংঙানবগা কর্নেল-লোপেজ অমোরগী মখাদা স্পেনদা সিভিল ৱার হৌরক্তুনা গেমস অদু মখা তানা চথবা ঙমখিরমদে।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা করম্না অসুক তুকৎচনা খন্নবা লৈবাক জর্মনিদা কুমজা ১৯৩৬কী কালেন অমসুং নীংথমগী ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা য়ারে হায়না অয়াবা পীখ্রিবনো? ৱারেপ অসি হিটলরনা জর্মনিগী চাঞ্চেল্লর ওইদ্রিঙৈগী মমাঙ কুমজা ১৯৩১গী মে ১৩দা লৌখিবনি।

কুমজা ১৯৩০দা ওলিম্পিক কোংগ্রেস অমা বর্লিন য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোল্লম্মী, কোংগ্রেস অদুদা জর্মনিগী মীহুৎনা লৈবাক অদুদা ১১শুবা কালেনগী অমদি মরিশুবা নিংথম থাগী ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা য়াবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়জখি। স্পেনগী সহর বার্সেলোনাসু ওলিম্পিক পাঙথোকচগে হায়বগী চেরোল থারক্লম্মী। মরম অসিনা আই ও সীগী মথংগী মীটিং বার্সেলোনাদা কুমজা ১৯৩১গী এপ্রিল ২৫দা পাঙথোক্তুনা ভোট লৌনবদা বর্লিননা ৪৩ অমসুং বার্সেলোনানা ১৬ ফংখি।

মতম অদুদা চখোক-চৎশিন খুদোংচাদবনা মেম্বর য়াম্না লাকখিদে অমসুং পোলিটিক্সকী চরাংনবনা মরম ওইদুনা স্পেনগী মীহুৎ ফাওবা মীটিন অদুদা য়ৌরক্লমদে। মীটিন য়াওবা ঙমহৌদবা মেম্বরশিং অদুগী ভোট চিঠিদা লৌনরবা মতুংদা বর্লিন্দা ওলিম্পিক তৌবগী অয়াবা পীখি। নিংথমগী গেমস পাঙথোক্লবা চেরোল থারকপা য়াওদবনা জর্মনিনা গেমস অদুবু পাঙথোকচগে হায়বদা অয়াবা পীরম্মী।

এথলিটশিং অমসুং ওফিসলশিংনা বর্লিন্দা থুংলবা মতমদা মখোয়বু অঙকপা ফংনা ফজরবা ওলিম্পিক ভিলেজ (খুঙ্গং) অমদা লৈহল্লম্মী। জর্মননা কুমজা ১৯৩২গী লোস এঞ্জেলিসকী ৱাখল লৌরগা ১০শুবা ওলিম্পিক গেমসতগী হেন্না চাউবা অমদি হেন্না ফজবা মওংদা সহর মচা অমগুম্না ওলিম্পিক ভিলেজ অদু শেম্লম্মী।

ৱারনর-মার্ক কৌবা আর্কিটেক্ট অমগা মহাক্কী মনাওনুপাগনা ভিলেজ অদু শাখিবনি। মদু শাবদা জর্মনিগী লান্মী কৌখত্তুনা থবক শুহল্লম্মী, মখোয়না অকক্লবা মতমদা নিংথিরবা য়ূম ১৪০ শাদুনা য়ূমথক্তা অঙাংবা চেক মচুগী টাইলনা কুপশিন্দুনা ফল্লাংদা অঙৌবা শুনু হায়দুনা য়ূমশিং অদু য়েংবদা অঙকপা ফংনা ফজহল্লম্মী। জর্মনিগী লাই য়েকপা স্কুলদা তম্লিবী মহৈরোয়শিংবু কৌখত্তুনা য়ূমগী কা মনুংশিং অদু লৈতেংহল্লম্মী। য়ূম অমগী কা অদুদা মী অনী লৈবা য়াই। য়ূম অমদা কা ৮দগী ১২ ফাওবা লৈ, য়ূম খুদিংগী ষ্টিৱার্দ লৈনবা কা, টেলিফোন থম্ফম, ঈরুজফম, মী ফম্ফম কানচিংবা তোঙান্না য়াওই।

য়ূমশিং অদু জর্মনিগী তোঙান তোঙানবা সহরগী মমিং লৌদুনা থোল্লম্মী। মী ফম্নবা কাদা য়ূমগী মমিং থোল্লিবা সহর অদুগী মরী লৈনবা লাইশিং থেৎলম্মী। টিম খুদিংগী ওফিস অমমম পীরম্মী, ভিলেজ মনুংদা চাক চাফম য়ূমজাও ৩৮ শাদুনা এথলিট অমসুং ওফিসলশিংদা পীজ-পীথক তৌরম্মী। মসিগী মথক্তা দুকান, সিনেমা য়েংফম, লায়েংশঙ, চিঠি থাদফম অমসুং য়েম্থোকফম পোষ্ট ওফিসনচিংবা থম্লম্মী। ভিলেজ শাবগী অপূনবা থৌদাংদি ৱার দিপার্টমেন্টকী জেনরেল Von Reichenau দা শিন্নরম্মী, নুপীশিংদি Friedrich Freissen Haus কৌবা মফমদা তোঙান্না লৈহল্লম্মী। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।